# ইস্লামিক ষ্টেটকী নুপী বট্টালিয়ন লুচিংখিবী য়ুএসকী নুপী অমা চহী ২০ গী জেলগী চৈরাক পীখ্রে



ৱাশিংতন, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপ (আই এস) কী নুপী ঙাক্তগী ওইবা বট্টালিয়ন অমা লুচিংখি হায়বা য়াজখ্রবা য়ুএসকী নুপী অমা চহী ২০ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

মশাগী চহী ৪২ শুরবী অলিসন ফ্লুক-এক্রেন কৌবী য়ুএসকী কন্সাস ষ্টেটতগী হৌরকখিবী নুপী অদুনা ইরাক, সিরিয়া অমসুং লিবিয়াদা চহী নিপানলোম টেররিষ্টকী থবক থৌওং কয়া চংখি হায়রি।

মহাক্না চহী তরারোমদা ঙাইরিবী নুপীমচাশিং য়াওনা নুপী ১০০ হেন্না মিলিটরি ট্রেনিং পীখি হায়বসিসু য়াজখি হায়রি। মহাক্না হৌখিবা জুনদা মঙোন্দা শীরিবা মরালশিং অদু য়াজখি। চৈরাক অদু লাউথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা প্রোজি ক্যুটরশিংনা হায়খি, মদুদি লোনা পীবা য়াবা খ্বাইদগী চাওবা চৈরাক অদু মঙোন্দা পীবদা মতিক চাবা ৱাৎপা ওইদুনসু তঙাই ফদনা চৈরাক অদু পীগদৌরিবনি।

মহাক্কী দিফেন্স টিম্না জে লগী চৈরাক অদুগী মতম খরা তেনশিনবীনবা তকশিল্লদুনা মহাক লানগী চৈথেং নঙলবা সিরিয়াদা অৱা অনা কয়া নঙলক্লবনি হায়না য়েৎখি।

কোর্ট দোক্যুমেন্টশিংগী মতুং ইন্না কন্সাসকী ওভরব্রুবকী অপীকপা কম্যুনিটি অমদা ওজা অমা ওইনা হৌরকখিবী এলিসন হকচিনবা ৱাখল চেল্লবা মিলিটেন্ট অমা ওইরক্তুনা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফম কয়া পায়রকখি।

গ্রুপ অসিগী মহুৎ শীন্দুনা লান কয়া শোক্লবগা লোয়ননা অতৈ থবক কয়া পাঙথোকখিবা খরা য়াওনা অতৈ নুপী কয়া আই এসতা য়াওখিবা ওইরবসু ফ্লুক-এক্রেনগী কেস অসিদি য়াম্না তোঙাল্লি হায়না লৌনরি। মহাক মহৌশানা নুপাশিংনা দোমিনেট তৌবা গ্রুপ অদুদা লিদরশিপকী ফম পায়রকখিবনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস এন্দ পব্লিক রেকোর্দসকী মতুং ইন্না মহাক হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা লিবিয়ন মিলিটেন্ট গ্রুপ অমগী মেম্বর ওইখিবা মহাক্কী অনীশুবা মপুরোইবগা লোয়ননা মিদ্দল ইষ্টতা চৎখি। কুমজা ২০০০ মতুংগী চহী খরা অদুদা মহাক্না লিবিয়াগী মিলিটেন্ট গ্রুপ অন্সার অল-সারিয়া অমসুং আই এসকা শম্ন-শম্ননা মরক মরক্তা কন্সাসতা লাকখি।

কুমজা ২০১২ অদুৱাইদা মহাক আইএসকী রিক্রুট্টর খরনা সিরিয়াদা পুশিনখিবগা লোয়ননা আই এসকী এক্তিব মেম্বর অমা ওইরকখি। লানদা মপুরোইবা শিখ্রবা মতুংদা মহাক অতৈ মিলিটেন্ট কয়াগা য়ুম পানমিন্নখি। বাংলাদেশি দ্রোন স্পেসিএলিষ্ট অমা য়াওনা মতুং তাবা মহাক্কী মপুরোইবশিংগী মনুংদা অনী গ্রুপ অসিনা শোক্লখিবা লানফমশিংদা শিখি। মদুগী মতুং চহী মরিরোম লৈরগা মহাক নুপী ঙাক্তা ওইবা আই এসকী বট্টালিয়ন অমা ওইরিবা খাটিবা নুইসাইবগী লিদর অমগী ওর্গনাইজর ওইরকখি। বট্টালিয়ন অসি গ্রুপ অসিগী দি-ফেক্টো কেপিটেল রাকা, সিরিয়াদা লিংখৎখিবনি।

য়ুএস ওফিসলশিংনা মহাক্কী মরু ওইবা মথৌদাংদি নুপীশিংদা একে-৪৭, গ্রেনেদ অমসুং সুইসাইদ বেল্টশিং শীজিন্নবা য়াওনা ট্রেনিং পীবনি। মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা টেরর এটেক চংখবা য়ানবা ওপরেটিব কয়াসু রিক্রুট তৌখি হায়রি।

চৈরাক্কী মেমো অমদা য়ুএসকী ফার্ষ্ট এসিষ্টেন্ট এটোনি রাজপরেক্না ফ্লুক-এক্রেননা চহী নৌরিবা নুপীমচাশিংবু ব্রেন ৱাষ্ট তৌখি অমসুং মী হাৎননবা ট্রেনিং পীখি হায়না ইখি।

মহাক্না টেররগী লম্বী অমা য়াৎচদুনা মশামক্কী অঙাংশিং ফাওবা ফিজিকেল, সাইকোলোজিকেল অমদি ইমোস্নেল টোর্চর তৌখি হায়রি। মহাক্কী অঙাং ১২ গী মনুংদা অনীনা কোর্টতা ইরকপা লেট্টরশিংদা মহাক্না মখোয়বু সেক্সুএল এব্যুজ তৌখি হায়নসু পনখি। আইএসতা য়াওখিবা য়ুএসকী সিটিজনশিংগী অপুনবা মশিং শেংনা খঙবা ঙমদ্রবসু জোজ ৱাশিংতন য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্সনা মীওই ৩০০ রোম গ্রুপ অসিদা য়াওননবগীদমক সিরিয়াদা নক্ত্রগা ইরাক্তা চৎখি নক্ত্রগা চৎনবা হোৎনখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীরি।

# নোর্থ কোরিয়া, সাউথ কোরিয়ানা মখোয়গী সমুদ্র মপানশিংদা মিসাইল কাপশিন্নখ্রে




সিওল, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকপগী অনৌবা খোঙথাং অমদা লৈবাক অনীনা মখোয়গী সমুদ্র মপানগা নক্লবা ঈশিংগী শরুকশিংদা মিসাইল কয়া কাপশিনখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ানা নোংমগী মনুংদা মিসাইল মশিং খ্বাইদগী য়াম্না কাপ্পা নুমিৎ ওইনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা য়ামদ্রবদা মিসাইল ২৩ লৈবাক অসিগী সমুদ্র মপানগা নক্লবা ঈশিংশিংগী শরুক্তা কাপশিনখি। মিসাইলশিং অদুগী মনুংদা অমা সাউথকী সিটি শোকচোদগী কিমি ৬০ ফাদবা মফমদা তাশিনখি।

নোর্থ কোরিয়াগী কায়হৌবগী থৌওং অদুগী পাউখুম ওইনা সিওলনা ৱার প্লেনশিং শীজিন্নদুনা য়েৎনরিবা মেরিটাইম দিমার্কেসন লাইন লান্না এয়র-২ গ্রাউন্দ মিসাইল অহুম কাপশিনখি। মদুগী মতুং তাবদা পিওংয়াংনা অহেনবা মিসাইল তরুক অমসুং আর্টিল্লরি সেল ১০০ রোম কাপখি।

নোর্থ কোরিয়ানা হায়রি, মদুদি লোঞ্চশিং অদু হৌজিক সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চংথরিবা অচৌবা মিলিটরি এক্সর্সাইজ অদুগী পাউখুম ওইননি। পিওংয়াংনা জোইন্ট মিলিটরি এক্সর্সাইজ অদুবু অকন অরিং শিংবা অমদি কায়হৌবগী থৌওংনি হায়রিবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পিওংয়াংনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা করিগুম্বা মীচং লৈবাক অনীনা মখা তানা জোইন্ট মিলিটরি ড্রিল অদু চংথবা তারবদি খ্বাইদগী শাথিবা ফিভম মায়োক্নরক্কনি হায়রদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নরকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা চহী অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা রেকোর্দ ওইবা মওংদা মিসাইল কয়া কাপ্তুনা চাংয়েং তৌখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা নাকল অনীনা চংখিবা লোঞ্চশিং অদু পিওংয়াংনা সাউথ কোরিয়াগা নক্লবা ঈশিংগী শরুক্তা য়ামদ্রবদা সোর্ট রেঞ্জ বেলেষ্টিক মিসাইল অহুম কাপশিনবগা লোয়ননা হৌখিবনি। মদুগী রেস্পোন্স ওইনা সিওলনা কন্ট্রোল তৌবা ঈথৎ অমা ওইরিবা উলিওংদা এয়র রেইদকী সাইরেনশিং খোংখি।

মফম অদুগী মীয়ামদা অন্দরগ্রাউন্দ সেল্টরশিংদা চঙদুনা লৈননবা ওথোরিটিশিংনা খঙহনখি। নোর্থনা কাপখিবা বেলেষ্টিক মিসাইল অমদি কোরিয়া অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়েৎনরিবা মেরিটাইম বোর্দর নোর্দন লিমিট লাইন (এন এল এল) লানখি। মিসাইল অদু সাউথ কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুক্কী ৱাংমদা তাশিনখিবা ওইরবসু মদু হৌজিক ফাওবগী ওইনা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল অমা সাউথকী খ্বাইদগী নক্লনা কাপশিল্লকপগী থৌদোক ওইরি।

# য়েমেনদা লেন্দমাইন পোকখায়বদা মীওই ৪ শিরে



সানা, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): য়েমেনদা লেন্দমাইন পোকখায়বগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা মীচম মরি শিখ্রে হায়না সেক্যুরিটি ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অদুনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা হৌথিশিংনা প্লান্ট তৌখিবা লেন্দমাইন অমা পোকখায়রকপদগী হোদৈদাগী সাউর্দন দিষ্ট্রিক্ট দুরাইহিমিদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই অহুম শিখি। ভিক্টিমশিং অদুনা মোটোর সাইকল তোংলগা হোদৈদাদা লৈবা মখোয়গী ময়ুম তন্না লাকপদা লেন্দমাইন পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থাউ মরাং কায়না ফঙবা অৱাং নোংপোক থংবা প্রোভিন্স মরিবতা লেন্দমাইন পোকখায়বগী অতোপ্পা থৌদোক অমদা মীওই অমা শিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অনী অশোক অপন নঙখি। হৌখিবা থাদা লেন্দমাইনশিংনা থোকহনবা মীশি মীনাশিং রেকোর্দ তৌবগী থৌদাং শীন্নরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট ওর্গনাইজেসন য়েমেন লেন্দমাইন ওবজার্বেটরি সেন্টরনা হায়খি, মদুদি য়ুএননা ৱাতেমদুনা এপ্রিলদগী হৌরগা ওক্তোবরগী অঙনবা শরুক ফাওবা চৎনখিবা ট্রুস মনুংদা মাইন অমদি অতৈ এক্সপ্লোসিব দিভাইস কয়া পোকখায়খিবগী থৌদোকশিংদা মীওই ৮১ শিখি অমসুং অতৈ ১৯১ অশোক অপন নঙখি।

য়েমেনগী প্রো-গভর্ণমেন্ট দি মাইনিং এক্সপর্টশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা সিভিল ৱার হৌখিবদগী লেন্দমাইন মিলিয়ন অমা হেন্না ফুমখি। হৌখিবা চহী তরুক্কী মতমদা মীচম ১৯২১ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা য়েমেনগী মফম কয়াদা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট ফেসিলিটি ২৮৭২ হেন্না মাঙহন তাকহনখি হায়না য়েমেনি কোলিসন ফোর হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন্না রেকোর্দ তৌখি।

য়ুএন মাইন এক্সন সার্ভিসকী প্রোজেক্ট অদুগী অহানবা ফেজ মনুংদা য়েমেনগী গভর্ণরেট ২১ অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ২৩৩ দা ক্লিয়ারেন্স ওপরেসন পাঙথোকখি অমসুং স্কৱার মিটর মিলিয়ন ২৩ গী লমশিংদা প্লান্ট তৌরম্বা লেন্দমাইনশিং লৌথোকখি। অনীশুবা ফেজ অদু কুমজা ২০২১ গী ওক্তোবরদা হৌখিবনি অমসুং মদু কুমজা ২০২৬ কী দিসেম্বর লোইবা ফাওবা চংথবা য়াই হায়না থাজনরি।

কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তা ইরাননা শৌগৎপা হৌথি মিলিসিয়ানা অৱাং থংবা প্রোভিন্স কয়া পায়শিনবগা লোয়ননা মালেম্না শকখঙবা গভর্ণমেন্ট সানাদগী ইন্থোকখিবদগী য়েমেনদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখি।

# পিটিআইনা ইস্লামাবাদতা থুংবগী নুমিৎ হোংদোক্তুনা গভর্ণমেন্টবু চেকশিন থৌরাং লৌখৎহল্লোইদৌরি

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): গভর্ণমেন্টবু মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ঙমহন্দনবগীদমক পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিটিআই) গী লমশাং খোঙচৎ ইস্লামাবাদতা থুংবগী নুমিৎ লেপ্তুনা হোংননবা থৌরাং তৌরি হায়না পার্টি অসিগী সিনিয়র লিদর ফাৱট চৌধরিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা জিও ন্যুজনা হায়, ঐখোয়না ইস্লামাবাদতা য়ৌবগী তারিখ অমা পীগনি অমসুং মদুগী মতুংদা অমুক তারিখ অদু হোংদোক্কনি।

পিটিআইগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা হায়, মহাক্কী পার্টিনা লমশাং খোঙচৎ চৎলিবদু একাউন্টেবিলিটিগী ঈহৌনি। অদুগুম্বা ঈহৌ অদুনা লৈবাক অদুগী সিষ্টেমদা শোয়রিবশিং অদু শোয়দনা চুমথোক্কনি। পিটিআইগী চিয়ারমেন ইমরান খানগী মায়োক্তা বেন্নর কয়া থেৎপগীদমক্তা খুরম দষ্টাগির ফাগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মহাক্না পিটিআইগী এম এন এশিং রিজাইন তৌখিবদু এনএগী স্পিকর অসিনা য়াবগা লোয়ননা মীখল পাঙথোক্কদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌখি। ফাৱটনা হায়, মারিয়ম নৱাজ হৌজিক মখা তানা মীখল য়াওবদা অথিংবা পীবা লৈত্রে। অদুনা মহাক মীয়াম্না কয়াম্না য়ারিবগে হায়বদু খঙজনবগীদমক মীখলদা কন্টেষ্ট তৌগদবনি।

চৈরকসিদা পিটিআইগী চীফ ইমরান খাননা ইস্লামাবাদকী অকোয়বদা চংনবা থৌরাং তৌরিবদু পিএমএল-এননা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা খঙই হায়না ফেদরেল মিনিষ্টর জাবেদ লাতিফনা সোসল মেদিয়াগী খুথাংদা ফোঙদোকখ্রে অমসুং হান্নগী পিএম খাননা ইস্লামাবাদ য়ৌরকপা মতমদা সেন্টরনা মহাকপু ঙকহনগনি হায়খ্রে। মহাক্কী মতুং ইন্না কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন মতুং ইন্না ইস্যুশিংগী মতাংদা নেসনেল লিদরশিপকা ৱারী শানৈ তৌইগুম্বসুং মোবশিংগদি ৱারী শানদে।

# ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা দোল্লর মিলিয়ন ১৫ গী গ্রান্টকী প্রোজেক্টশিং থুজিলহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে



কলম্বো, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা দোল্লর মিলিয়ন ১৫ গী ওইবা ইন্দিয়াগী অখন্নবা গ্রান্ট অমগী মখাদা বুদ্ধিষ্ট মরি ফগৎহনবা য়াওনা প্রোজেক্ট কয়া খোঙজেল য়াঙহনবগী ৱাফম য়ানখ্রে।

কলম্বোদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসন্না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হাই কম্মিস্নার গোপাল বাক্লে অমসুং বুদ্ধসাসনা, রিলিজস অমসুং কলচরেল এফিয়র্সকী মিনিষ্টর বিদুরা ৱিক্রামানায়কানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱারী শারদুনা বুদ্ধিজমগা মরী লৈনবা মরী ফগৎহনবা অমসুং জাফনা কলচরেল সেন্টর (জে সিসি) মথৌ তৌহনবা য়াওনা পুন্না লেপমিন্নখিবা প্রাইওরিটি প্রোজেক্টশিং থুজিলহনবগী ৱাফম য়ানখি।

কুমজা ২০২০ গী সেপ্টেম্বর ২৬ তা পাঙথোকখিবা ভার্চুএল বাই লেটরেল সম্মিটতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বাই লেটরেল বুদ্ধিস মরী ফগৎহন্নবগী অখন্নবা গ্রান্ট অদু লাউথোকখিবনি। মদুগা মরী লৈনবা এম ও য়ু অদু এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা কলম্বোদা খোঙচৎ অমা চহী অসিগী মার্চতা চৎখিবা মতমদা খুৎয়েক পীনখি।

লাই খুরুম্ফমশিং অমসুং লাইনিংবশিং ট্রেনিং পীরিবা লৈবাক অদুগী পেরিবেনা নত্ত্রগা স্কুলশিংগা লোয়ননা লাই খুরুম্ফমশিংদা সোল্লর পৱার ফেসিলিটিশিং ইন্সটোল তৌবগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি। জে সিসিগী মীফম অদুনা মীয়াম্না চাং নাইনা শীজিন্নবগীদমক ষ্টেট-ওফ-ড-আর্ট ফেসিলিটি অমা ফঙহন্নবা জোইন্ট ফ্রেমৱার্ক অমা লিংবগী মতাংদসু খন্নখি।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কাগী অসিগুম্বা দিভলপমেন্ট পার্টনরশিপকা মরী লৈনবা থৌরাংশিং অসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা দোল্লর মিলিয়ন ১১ হেনবগী গ্রান্ট পীবগী ৱাফম য়াওরিবনি। গ্রান্টশিং অদুগী মতেংনা শেমগৎকদৌরিবশিংগী মনুংদা ফ্লোর অনীগী ম্যুজিয়ম্না, খ্বাইদগী নৌবা থিয়েটর ষ্টাইলগী মী ৬০০ হেন্না চনগদবা ওদিটোরিয়ম, মথোল ১১ গী লর্নিং টৱার অমদি এম্ফিথিয়েটর অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াগদবা পব্লিক স্কৱার অমা য়াওনা মখল কয়াগী ফেসিলিটিশিং য়াওগনি।

মীয়াম্বু নুংঙাইহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌদুনা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাগী মীয়ামগী পুন্সিদা অহোংবা অমা লাকহনবা পাম্মী হায়বসি অসিগুম্বা গ্রান্ট অমদি ফেসিলিটিশিং অসিনা ময়েক শেংনা উৎলি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না প্রোজেক্টশিং অদু শ্রী লঙ্কান সোসাইটিগী সেক্সন খুদিংমক্কী মথৌ তাবশিং অমদি দিমান্দশিংগা লোয়ননা শ্রী লঙ্কা গভর্ণমেন্টগী প্রাইওরিটিশিং য়েংলগা পায়খৎকদৌরিবনি।

## য়ুকেগী পিএম রিসি সুনাক সিওপি ২৭ ক্লাইমেট সম্মিট য়াওরগনি

লন্দন, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): বৃটেনগী পিএম রিসি সুনাক মথং চয়োলদা ইজিপ্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা সিওপি ২৭ দা য়াওরগনি। পিএমগী ওফিসনা মমাঙদা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর চহীগী ওইবা ক্লাইমেট সম্মিট অদু য়াওদবা য়াই হায়না লাউথোকখিবা মতুং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা মশামক্না সম্মিট অদুদা য়াওরগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

ট্বিট অমদা সুনাকনা হায়খি, মদুদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা তুং কোইনা চাওবা অমদি নুংঙাই য়াইফনা লৈবা ঙম্লোই। রিন্যুএবলশিংদা ইনভেষ্ট তৌদনা ইনর্জি সেক্যুরিটি লৈরোই।

মহাক্না মখা তারদুনা সম্মিট অদুদা মহাক্না শরুক য়াগদৌরিবা অদু সেক্যুর ওইবা অমসুং তুং কোইনা চৎকদবা তুংলমচৎ অমা শেমগৎপদা মীৎয়েং থম্বা গ্লাসগোগী লিগেসি মখা তানা থবক্তা ওন্থোক্লবগী মায়কৈদা চঙশিন্নবগীদমক্তনি। কুমজা ২০২১ দা বৃটিস সিটি অসিনা থৌবু ওইদুনা কনফরেন্স অদুগী মমাঙগী এদিসন অদুগা মরী লৈননা সুনাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা চয়োলদা সুনাক্কী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক লৈবাক্কী ওইবা অরুবা কম্মিটমেন্ট কয়ানা মরম ওইদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ক্লাইমেট চেঞ্জ কনফরেন্সতা শরুক য়াররোই হায়খিবনি। ৱাফম অদুবু সেক্সন কয়ানা ক্রিটিসাইজ তৌনখ্রবসু খরনদি শৌগৎনখি। থা অনীগী মতমগী মনুং হৌখিবা চয়োলদা বৃটেনগী অহুমশুবা পিএম ওইরকখিবা সুনাক লৈবাক অসিগী পব্লিক ফাইনান্সকী ফিভম ফগৎহন্নবা টেক্স হেনগৎহনবা অমসুং চাদিং হন্থহনবগী পেকেজ অমগী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর জেরিমি হন্টকা থবক তৌমিন্নরকখিবনি।

## সিনেটরগী ন্যুক্লিয়র ক্লেম এক্সপ্লেন তৌনবা পাকিস্থাননা রসিয়াদা তকশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): পাকিস্থান অমসুং য়ুক্রেননা হন্দক্তা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শানবগী টেক্নোলোজিশিং খন্ন-নৈনখি হায়না রসিয়ন সিনেটর অমনা ক্লেম তৌখিবা মতুংদা মদুগী মতাংদা এক্সপ্লেন তৌনবা পাকিস্থাননা রসিয়াদা তকশিনখ্রে।

ফেদরেসন কাউন্সিলগী দিফেন্স কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা সিনেটর ইগোর মোরোজোবনা য়ুক্রেনিয়ন এক্সপার্টশিংনা পাকিস্থানদা চৎতুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী টেক্নোলোজিগী মতাংদা খন্ননবগীদমক দেলিগেসন অমগা উনখি হায়না ক্লেম তৌখি। মোরোজোবনা ৱাফম অদু য়ুক্রেনিয়ন দোসিয়র স্পেসল প্রোজেক্টকী শরুক অমা ওইনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাকিস্থানগী ফোরেন ওফিসনা হায়, রসিয়ন সিনেটর অদুনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মরম অমত্তা চাদে অমসুং মদু পাকিস্থান-রসিয়া মরীগী ৱাখল্লোনশিংগা করিমত্তা চান্নদে। অসিগুম্বা য়ুম্ফম য়াওদবা ক্লেম অসিনা ঐখোয়বু ঙকহল্লি অমদি ঐখোয়না হিরম অসিগী মতাংদা মরিক চুম্না শেংদোরক্লবা মোস্কোদা তকশিল্লি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ফোরেন ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# য়ুকেনা রসিয়াগী ষ্টিল অমসুং পেট্রোকেমিকেলগী টাইকুন মরি শেল থুমগী অথিংবা থমখ্রে



লন্দন, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগা লানগা মরী লৈননা রসিয়াগী ষ্টিল অমসুং পেট্রোকেমিকেল টাইকুন মরি শেল থুমগী অথিংবা থম্লে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা বৃটিস গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

য়ুকেনা অথিংবা থমখ্রবশিং অদুগী মনুংদা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা অথিংবা থমখিবা ওলিগার্ক রোমান অব্রামোবিসকী এসোসিএটশিংনি হায়না বৃটেননা লাউথোকখ্রবা অলেকজেন্দ্র অব্রামোব অমসুং অলেকজেন্দ্র ফ্রোলোব য়াওরি। মখোয় অনী এক্সট্রেক্টিব, ট্রান্সপোর্ট অমসুং কন্সট্রক্সন সেক্তরশিংদা চেন্নরম্বদগীদমক টার্গেট তৌখিবনি হায়না বৃটেনগী ফোরেন ওফিসনা ফোঙদোকখি।

পুটিনগী মপান তাংদুনা খুদোংচাবা কয়া ফঙবদগী মহাক্কী মিলিটরি মেছিনবু ফন্দিং তৌখিবা অহেনবা ওলিগার্ক মরি ঙসি ঐখোয়না অথিংবা থল্লি। মীওইশিং অসিদা টার্গেট তৌদুনা ঐখোয়না পুটিনদা শেল থুমগী প্রেসর হেন্না পীরি অমসুং য়ুক্রেনগী ফিভম ফগৎলক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা মোস্কোগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থমখিগনি।

অমরোমদা, ব্লেক সীদা লৈবা রসিয়াগী নেভেল ফ্লিটতা দ্রোন ষ্ট্রাইক চংখিবগা মরী লৈননা রসিয়ানা বৃটিস এম্বেসেদর কৌখৎলগনি হায়না রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রিমিয়াদা লৈরিবা ব্লেক সীগী ফ্লিটতা চংখিবা য়ুক্রেনগী দ্রোন ষ্ট্রাইক্তা বৃটিস স্পেসিএলিষ্টশিং চেন্নখি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রি অসিনা বৃটিস এম্বেসেদর কৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৪ দা লৌশিনখিবা ক্রিমিয়ন পেনিন্সুলাগী বে ওফ সেবাষ্টোপোলদা লৈরিবা রসিয়ন ভেসেলশিংদা অচৌবা দ্রোন এটেক অমা চংখি হায়রদুনা থাংজ নুমিত্তা রসিয়ানা য়ুএননা ৱাতেমদুনা লাকহনখিবা ব্লেক সী গ্রেন ইনিসিএটিবতা শরুক য়াবা লেপ্পগনি হায়না মোস্কোনা থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখিবনি। রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদু বৃটিস নেভিগী স্পিসিএলিষ্টশিংগী লিচিং অমদি লমজিং লমতাক মখাদা পাঙথোকখিবনি।

অমরোমদা, বৃটেননদি রসিয়াগী চার্জ অদুবু অরানবা ৱাফমনি হায়না রিজেক্ট তৌখি। য়ুমশকৈশ নুমিত্তা রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন মারিয়া জখরোবানা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি বৃটিস স্পিসেএলিষ্টশিংগী গাইদেন্সকা লোয়ননা এক্সনশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অথুবা মতমদা বৃটিস এম্বেসেদর রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিদা কৌখৎলগনি হায়না জাখরোবানা মখা তানা ফোঙদোকখি। মোস্কোদা লৈবা বৃটেনগী এম্বেসেদরদি দেবোরা ব্রোনটনি।

## থৌদোক অনীগী মতুংদা কোরিয়ন এয়রনা এয়র বসকী প্লেনশিং য়েংশিনবা হৌখ্রে

সিওল, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): চয়োল অনী ফাদবা মতমগী মনুংদা এয়র বসকী এ৩৩০ এয়রক্রাফট চেন্নবা থৌদোক অনী থোকখ্রবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী টোপ এয়র করিয়র-কোরিয়ন এয়র কোনা মোদেল অসিগী ফ্লিটকী মপুং ফাবা স্পেসল সেফতি ওদিট অমা লোঞ্চ তৌরে হায়না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

খোঙথাং অসি ওক্তোবর ২৩ দা পেসেঞ্জর ১৬২ অমসুং ক্রু মেম্বর ১১ তোংবা এ ৩৩০ প্লেন অমা ফিলিপিন্সকী ঈথৎ অমদা লৈবা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টকী রনৱে অমদগী হেন্দোক্না চেনখিবগী থৌদোক অমগী মতুংদা লাকপনি।

থৌদোক অদুদা মীশি মীনাশিং থোকখিদ্রবসু প্লেন অদুগী মবুক থংবা শরুক অদু ফিভম থীনা শোকখি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিদনি য়ৌগদবা এ ৩৩০ প্লেন অমা ইঞ্জিনগী প্রোব্লেম অমনা মরম ওইদুনা পাইখৎখিবা মতুং পুং ২ ফাদনা কেপিটেল সিওলগী নোংচুপলোমদা লৈবা সাউথ কোরিয়াগী মরু ওইবা গেটৱে ইঞ্চিওনদা অমুক পাইশিল্লকখি।

কোরিয়ন এয়রনা হায়, এয়র বস এ৩৩০ ২৪ টেম্পররি ওইনা ফেজ নাইনা সার্ভিসতগী লৌথোক্লগনি। মসি কুপ্না ইন্সপেক্সন তৌনবগীদমক্তনি। থবক অসি লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌখ্রে। এয়র বসকী অরিবা এ ৩৩০ ৬ সু সার্ভিসতা শীজিন্নবা লেপহল্লগনি হায়নসু এয়র লাইন অসিনা ফোঙদোকখি।

কোরিয়ন এয়রগী প্রসিদেন্ট ৱু পি-হোংনা এভিএসন সেফতিগী মতাংদা ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর অমসুং সাউথ কোরিয়ন এয়রলাইন্সকী অতৈ টোপ একজিক্যুটিবশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা হায়খি, মদুদি ঐখোয়গী এ৩৩০ এয়র ক্রাফট চেন্নবা হন্দক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু কয়াম্না লুবগে হায়বসি কোরিয়ন এয়রক্রাফটনা মুন্না খুই।

# সেহবাজ সারিফনা সি জিনপিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী কোওপরেসনগী মতাংদা খন্নখ্রে

বৈজিং, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): খোঙচৎ অমদা চাইনাদা লৈরিবা পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগা উন্নদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা নাকল অনীমক কান্নহল্লিবা কো ওপরেসনগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে। মখোয়না মরু ওইনা শেল থুমগী লমশিংদা লৈরিবা লৈবাক অনীগী মরীশিং খন্ন-নৈনখি।

ফেসবুক পোষ্ট অমদা সারিফনা হায়খি, মখোয়না সিপিইসি য়াওনা চাইনা অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা লৈরিবা মল্টি লেটরেল কো ওপরেসন হেনগৎহনবা অমসুং ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরশিপ হেন্না চেৎশিলহনবগী ৱাফমসু য়ানখি।

পাকিস্থানি লিদর অসিনা মীফম অদুগী ইমেজশিংসু থাগৎখি। প্রাইম মিনিষ্টর সারিফ নুমিৎ নীনিগী ওফিসল খোঙচৎ অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা বৈজিংদা থুংখি। মদু চহী অসিগী এপ্রিলদা মহাক্না ওফিস পায়খিবদগী বৈজিংদা চৎপা অহানবা ওফিসল খোঙচৎনি।

চাইনাগীদমক খোঙশান্দ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্না পরিং নাইনা ট্বিটশিং থাগৎতুনা হায়খি, মদুদি মহাক সিপিইসিগী ২০ শুবা নেসনেল কংগ্রেসকী মতুংদা ইনভাইট তৌদুনা লূনা খনবীবা অহানবা লুচিংবা খরখক্কী মনুংদা অমনি। মালেম্না মখল মখা কয়াগী শীংনবশিং মায়োক্নরিঙৈ লুরবা মতম অসিদা পাকিস্থান অমসুং চাইনানা মরুপ মপাংশিং অমসুং পার্টনরশিং ওইনা খোঙচৎ অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরি।

# কেন্টতা লৈবা অরিবা সিখ লাইশঙ অমা লৈনবগী এপার্টমেন্টশিং ওন্থোক্লগনি

লন্দন, নবেম্বর ২ (এজেন্সী): মতম অমদা কেন্টতা লৈরিবা সিখ কম্যুনিটিগী লাই খুরুম্ফম অমা ওইখিবা অমদি কুমজা ২০২০ দা ওথোরিটিশিংনা থুগায়রমগদবদগী কনখিবা অমনবা বিল্ডিং অমা মী লৈনবগী এপার্ট মেন্টশিং ওন্থোক্লগনি।

গ্রেভসেন্দগী ক্লারেন্স প্লেসতা লৈরিবা গুরুদ্বার অদু কুমজা ১৯৬০ অদুৱাইদগী কুমজা ২০০৮ ফাওবা কম্যুনিটি অসিগী লাই খুরুম্ফম অমা ওইরম্মী। কুমজা ২০১০ দগী শীজিন্নরকখিদ্রবা অরিবা বিল্ডিং অদু কাউন্সিল্লরশিংনা মদুবু থুগায়রগা ফ্লেট ১৯ শাবগী থৌরাংগী মায়োক্তা ভোট পীদুনা কুমজা ২০২০ দা মপুং ফানা থুগায়রমগদবদগী কনখিবনি।

হৌখিবা জুলাইদা গ্রেভসহাম কাউন্সিলদা সম্মিট তৌখিবা অনৌবা এপ্লিকেসনদা লাইশঙ অদুবু মপুং ফানা থুগায়বগী মহুত্তা ফ্লেটশিং ওন্থোক্লবগী থৌরাংশিং পনখি। গুরু নানক দরবার গুরুদ্বারা মেনেজমেন্ট টিমগী স্পোক্সমেন অমনা হায়, গুরুদ্বারা অদুগী হৌজিক লৈরিবা বিল্ডিং শেমদোক শাদোক্লগা শীজিন্নবগী থৌরাং অমা জিদিসি (গ্রিন বিল্ডিং কাউন্সিল) না এপ্রুভ তৌরে। মসি অশাংবা প্রোসেসনি। হৌখিবা চহী তরাগী মতম অসিদা এপ্লিকেসনশিং অমসুং আপিলশিং সম্মিট তৌদুনা লাকখি। গুরুদ্বারা অদু রেসিদেন্সিএল এপার্টমেন্ট ১৪ ওন্থোক্কদবনি হায়রি।